# ওরিষা এফ সী অমসুং জমশেদপুর এফ সী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে, কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সীসু মায় পাকপা ঙম্মখিদ্রে

30 November, Monday
FC Goa
vs
NorthEast United FC
Time : 7:30 PM


ওরিষা এফ সীগী শান্নরোয় (ওই) অমসুং জমশেদপুর এফ সীগী (য়েৎ)

ভাস্কোদাগামা, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ওরিষা এফ সী অমসুং জমশেদপুর এফ সীনা ঙসি ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ১০শুবা লীগ মেটচ ভাস্কো দা গামাগী টিলক মাইদানদা শান্নখিবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। বাম্বোলিম সিটিদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা লীগ মেটচতনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অমদি চেন্নাইন এফ সীসু পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ওরিষা এফ সীদা মণিপুরদগী হৌরকখিবা লাইশ্রম প্রেমজিৎ অহানবা ইলেভেনদা য়াওখি, অদুগা জমশেদপুর এফ সীদনা তেলেম জেকিচান্দ শরুক য়াখি। ওরিষা অমসুং জমশেদপুরগী মেটচ অদুগী হৌরকপদা বোল পায়বা হেনবগী চাং জমশেদপুরনা হেন্দুনা খূদোংচাবা লৌবা ঙমখি।

শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা টিম অদুনা পুশিনখিবা এটেক অমদা বোল অদু ওরিষা এফ সীগী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা লান্না বোল মুন্নবা হোৎনরুবদগী পীখিবা পেনাল্টি কিক্ অদু জমশেদপুরগী ষ্ট্রাইকর নেরিজস ভালস্কিজনা পাঞ্জল চন্দুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল মাংজিল থারবা মতুং ওরিষানা হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈদা মখা তানা জমশেদপুরগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা নেরিজস ভালস্কিজনা ওরিষাগী দিফেন্সিভ লাইনদা অশোয়বা লৈরকপা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা ২৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মাংজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদে।

শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা জমশেদপুরগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপ কেপ্টেন ওইখিবা কিয়াম অমর্জিৎ শান্নবা চঙলকখি। টিম অদুগী গোলকিপর রেহিনেস পরম্বানা ওরিষাগী মায়কৈদগী কাওশিল্লকপা বোল অমা মহাক্কী বোক্স মনুংদগী চোংথোক্লগা ফারুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি। গোলকিপর শিন্দোকপদা জেকিচান্দ ফিল্ডদগী চঙখি। শান্নরোয় অমা ৱাৎপগী খূদোংচাবা লৌরদুনা শান্নবগী ৭৭শুবদা ওরিষাগী মায়কৈদগী দিএগো মোরিসিওনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। মেটচ লোইগদবা মতম লৈশিল্লক্ত্রবদা মোরিসিওনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

জি এম সী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সীগী মেটচ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। কেরলাদা মণিপুরদগী নোংদম্বা, সৈত্যসেন অমসুং দেনেচন্দ্র য়াওখি। চেন্নাইনদনা রেগান শরুক য়াখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK Mohun Bagan FC | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 0 | 3 | 6 |
| 2 | Northeast United FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| 3 | Chennaiyin FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 4 | Hyderabad FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 4 |
| 5 | Mumbai City FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 1 | 1 | 0 | 3 |
| 6 | Bengaluru FC | 2 | 0 | 2 | 0 | 2 | 2 | 0 | 2 |
| 7 | Kerala Blasters FC | 3 | 0 | 2 | 1 | 2 | 3 | -1 | 2 |
| 8 | Jamshedpur | 2 | 0 | 1 | 1 | 3 | 4 | -1 | 1 |
| 9 | FC Goa | 2 | 0 | 1 | 1 | 2 | 3 | -1 | 1 |
| 10 | Odisha FC | 2 | 0 | 1 | 1 | 2 | 3 | -1 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 2 | -2 | 0 |

# 'গোল্ডন বেবি লীগনা মণিপুরগী চীংয়া তময়াদা ফুটবোলগী ঈহুল হেনগৎহল্লি'


মশীং য়াম্লবা অঙাংশিংনা গোল্ডন বেবি লীগ য়াওননবা শেমশাখিবা

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন(এ আই এফ এফ)না হৌদোকখিবা গোল্ডন বেবি লীগনা মণিপুরগী চীংয়া তময়াদা ফুটবোল মশান্না অসিগী ঈহুল হেনগৎহল্লি হায়না মণিপুর গোল্ডন লীগ অমসুং অন্দ্রোগী এল এস দি সি গোল্ডন বেবি লীগ অমদি লৈমপোকপমগী লীগ ওপরেটর ওইরিবা চীংথাম রবিসঙ্করনা এ আই এফ এফকা ৱারী শান্নবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৮দা এ আই এফ এফনা ইন্দিয়াদা ফুটবোলগী গ্রাসরুট লেভেল হেন্না মপাঙ্গল লৈহন্নবগী পান্দমদা হৌদোকখিবা গোল্ডন বেবি লীগনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কান্নবা কয়া পীবা ঙল্লিবা অসিগা মান্নানা মণিপুরগী চীংয়া তময়াদা ফুটবোল মশান্না অসি হান্না পাম্নরিবা চাং অসিদগী অহেনবা ঈহুল অমা পীবা ঙল্লে হায়না রবিসঙ্করনা মখাতানা ফোঙদোকখি।

গোল্ডন বেবি লীগ অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি খুদোংচাবা ফংবা ৱাৎপা অঙাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা এ আই এফ এফকী লমজিং মখাদা মখোয়বু ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবা অমদিমদুনা করিয়র অমদি প্রোফেসন অমা ওইহন্দুনা মখোয়-মখোয়গী ইমুং-মনুংগী ওইনসু তুংদা কান্নবা পীবা ঙম্নবা হোৎনবনি।

গোল্ডন বেবি লীগ অসিনা কুমজা ২০১৯-২০ সিজনদা ইন্দিয়া পুম্নগী ওইনা চহী ৬তগী ১২ ফাওবগী কাঙলুপ্তা চহী নৌরিবা শান্নরোয় ৩৫,০০০রোম খোমজিনবা ঙল্লে হায়খি। মণিপুরদা হায়রিবা সিজন অদুদা চহী কাঙলুপ ৪গী ওইনা শান্নরোয় ৮০০ হেন্না খোমজিনবা ঙমখি। লোকলগী সেনিয়র টুর্নামেন্ট-শিংদগী বেবি লীগকী টুর্নামেন্টশিংনা ভাবক মশীং য়াম্না হেন্না চিংশিনবা ঙম্মী হায়খি।

মমা মপাশিংগী মায়কৈদগীতা নত্তনা লোকল স্পোন্সর কয়ানা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা মতেং পাংবীরকখি হায়নসু মখা তাখি।

# 'টৌকিও ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদবা এথলেটশিংদনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা খূদোংচাবা পীগনি'



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন শীজিন্নবা হৌরবদি টৌকিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা এথলেট অমসুং সপোর্ট ষ্টাফশিংদা হান্না খূদোংচাবা পীগনি হায়খ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না ঙসি ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা দেল্লি হাফ মরাথোন লমজেল অদু লমথাবা লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। মথং চহীগী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লিবা চহী অমা য়ৈথোকখ্রবা টৌকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদবা এথলেট অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং নৎত্রগা অতোপ্পা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াগদবশিং অদুগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফংলবা মতমদা খূদোংচাবা পীগদৌরিবনি।

এথলেটশিং অসিদনা অহানবা খূদোংচাবা পীননবা ৱারেপ লৌরবা মতুং হেল্থ মিনিষ্ট্রিগা অমুক খূৎশম্ন খিগনি হায়রি। ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংগী পার্টিসিপেন্টশিং অমদি করিগুম্বা ইন্দিয়ানা শীনবা ওইরগনা ওর্গনাইজরশিংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি হান্না পীবগী খূদোংচাবা লৈহনগনি।

মিনিষ্টর অদুনা মখা তারদুনা ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনশিংগী ওইবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট কয়া অমা পাঙথোরক্কনি। মদুগীদমক শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মমাংদা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং অমদি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনদা লৈবাক অসিদা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লনবা শেম-শাবা হৌননবসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। দেল্লি মরাথোন অসি য়াম্না মরুওইবা ইন্দিয়াগী ইভেন্ট অমনি হায়খি। লোয়ননা ইন্দিয়াদা ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিং পাঙথোকপদা শান্নরোয়শিংগী ক্বারন্টিনগী কাঙলোনশিং অদু কোমথোক্কনি হায়রি।

# অনীশুবা ৱান দে রন ৫১দা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱান দে সেরিজ লৌখ্রে



সিদনি, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নবা মেটচ অহুমগী ৱান দে সেরিজগী ঙসি সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ৫১দা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই অহানবা ৱান দে সেরিজ অদুসু ওষ্ট্রেলিয়না ইন্দিয়াবু রন ৬৬তা থোইখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুদা য়াম্না ফজবা স্কোর অমা বেটসমেন মরিখক আউট ওইরগা রন ৩৮৯ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ৱান দে মেটচতা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা ষ্টিভেন স্মিথ ঙসিসু সেঞ্চুরি লৌখি। মহাক্না শুপ্নগী বোল ৬৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১৪ য়ৈরগা রন ১০৪ লৌরমখি। টিম অদুগী মখা তাবা অতোপ্পা বেটসমেন মরিসু স্কোর চাওনা লৌবা ঙমখি। ৱার্নর বোল ৭৭তা সিক্স ৩, ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৮৩ লৌখি। কেপ্টেন অরোন ফিন্সসু বোল ৬৯দা রন ৬০ লৌখি। মরিশুবা বেটসমেন লাবুসাঙ্গে বোল ৬১দা রন ৭০ লৌখি। অদুগা গ্লেন মেক্সৱেলনা আউট ওইদনা শুপ্নগী বোল ২৯দা ফোর অমসুং সিক্স ৪/৪ য়ৈরগা রন ৬৩ লৌখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবা রন ৩৯০ অদু লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ৩৩৮খক্তা লৈখিবদগী মেটচ অদু রন ৫১দা মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা বোল ৮৭তা রন ৮৯ লৌরমখি, কান্নবা ফংখিদে। মঙাশুবা বেটসমেন কে এল রাহুলনা বোল ৬৬তা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৭৬ লৌখিবা অদু টিম অদুগী ইন্নিংসতা শীংথাবা য়াবা ওইখি।

ওপনর সিখর ধৱন বোল ২৩দা রন ৩০, মহাক্না ইন্নিংস হৌদোকমিন্নখিবা ময়াঙ্ক অগরৱাল রন ২৮, ৬শুবা মেটসমেন হার্দিক পান্দিয়া রন ২৮ অমসুং রবিন্দ্র জাদেজাগী রন ২৪ অদুপনবায়াই। ঙসি সেরিজ লৌখ্রবসু টিম ২না থা অসিগী ২দা ৩শুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অদু শান্নগনি। মদু লোইরবা মতুংদা টেষ্ট সেরিজ হৌগদৌরি।

# পি এস জি দ্রো চৎখ্রে, লিওননা রৈম্সপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ফ্রান্সতা চৎথরিবা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী নম্বর ৱান লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ১২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেন (পি এস জি) বোর্দিওগা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা লিওননা রৈম্সপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং বোর্দিওগী মেটচ অদু অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৩ চন্নবা ঙমখি। বোর্দিওগী মায়কৈদগী টিমোঠি পেম্বেলেনা ১০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। অথুবা মতমদা পি এস জিগী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা ব্রাজিল মচা নেমারনা ২৭শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। থংনবা মিনটতা টিমমেট মোইজে কিননা পি এস জিগী পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা হাফ অদু ২-১দা মখোয়না মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা বোর্দিওগী মায়কৈদগী হাটেম বেন অর্ফানা পীরকপা বোলদা য়াসিন এদলিনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি। পি এস জিনা দ্রো চৎখ্রবসু পোইন্ট ২৫ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ১২শুবা মেটচ অমদা লিওননা রৈম্সপু ৩-০দা থোইবা ঙমখিবনি। ২২শুবা মিনটতা কার্ল টোকো ইকন্বীনা টিমমেট মেমফিসনা পীরকপা বোলদা অহানবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং মহাক্না অমুক পীখিবা বোল অমদনা ৪৯শুবা মিনটনা ব্রুনোনা পাঞ্জল চনখি। ৬৬শুবা মিনটতা কার্ল ইকন্বীনা অমুক্কা সপ্লাই তৌখিবা বোল অমা মোজানা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা থোইখি।

# বর্সেলোনা মায় পাকখ্রে, রিয়াল মাদ্রিদতি অলাভেসনা মায়থীবা পীরম্লে

মাদ্রিদ, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনানা শান্নখিবা টিম অদুগী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচতা ওসাসুনাবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখ্রে। অদুবু মমাংগী চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদতি দিপোর্টিভো অলাভেসনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লে।

বর্সেলোনাগী টিম মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৮দা মেটচ ৩ মায়থীবা নংলবা মতুং ৩/৩ মায় পাক্লগা অনী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা টেবলগী ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। ঙসিগী মেটচ অদু মখোয়না হৌবদগী খূদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

২৯শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী মার্টিন ব্রাইথৱেটনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইরমদায় মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা এন্টোইন গ্রিজমাননা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা পাঙ্গল হেন্না শান্নবা ঙম্লিবা বর্সেলোনাগী ফিলিপ কোটিনোনা ৫৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা টিমমেট ত্রিনকাওনা পীরকপা বোলদা শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপদগী ৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

রিয়াল মাদ্রিদনা দিপোর্টিভো অলাভেসনা য়ূম্বু ওইখিবা মখোয়গী ১০শুবা অমদি অলাভেসকীনা ১১শুবা মেটচকী লম্বাদা অলাভেসনা ঙন্না পাঞ্জল চনবা হৌখি। ৪শুবা মিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা লুকাস পেরেজনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা ঙাইরিঙৈদা দিপোর্টিভো অলাভেসকী মায়কৈদগী জোসেলুনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অমরোমদা, রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎরবা মতুং ৮৬শুবা মিনটতা কাসিনিরোনা পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা মখোয় মেটচ অদুদা মায়থীবা নংখি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটি মায় পাকপা ঙমখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ৯শুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সাউথমটনবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে। অদুগা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা বর্নলেবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মমাংগী রাউন্দ ৮ শান্নবা লোইশিনবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অদুবু সাউথমটনদি হান্না শান্নখিবা মেটচ ৯দা পোইন্ট ১৭ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরমখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা সাউথমটননা পাঞ্জল ২ চনশিল্লবা মতুং অনীশুবা হাফতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মখা তানা পাঞ্জল ৩ হন্দোকপা ঙমখিবদগী মায় পাকখি। ২৩শুবা মিনটতা সাউথমটনগী জানত বেদনারেকনা টিমমেট জেমসনা পীরকপা বোলদা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ৩৩শুবা মিনটতা সাউথমটনগী জেমসনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

৫৯শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী এদিসন কবানিনা পীরকপা বোলদা ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। ৭৪শুবা মিনটতা এদিসন কবানিনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অদুগা মহাক্না অমুক্কা হন্না ইঞ্জুরি টাইমদা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৩-২দা থোইখি।

ঙরাং মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ূম্বু ওইরগা বর্নলেগা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়াম্না হেনবা মওংদা বর্নলেবু খূদুম চনখি। টিম অদুগী শান্নরোয় রিয়াদ মহারেজনা হেটট্রিক ফংখি। মহাক্না ৬শুবা, ২২শুবা অমসুং ৬৯শুবা মিনটতা পাঞ্জলশিং চনখি। অতোপ্পা পাঞ্জল অনী অদুনা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা বেঞ্জামিন মেন্দিনা অমা অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা ৬৬শুবা মিনটতা ফেরান টোরেজনা চনখিবনি। মায় পাকখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটি প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা মাপনশুবা পোজিসনদা হাইগৎখি।

# বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ মায়থীবা নংখ্রে, মোনচেনগ্লাবাগতি মায় পাকখ্রে

বের্লিন, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগাগী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ ১.এফ সী কোনগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে। অমরোমদা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাগনা সালকে ০৪বু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সিগনেল ইদুনা পার্কতা শান্নখিবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ অমসুং ১. এফ সী কোনগী মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৯শুবা মিনটতা এফ সী কোনগী মায়কৈদগী মারিয়স ৱুল্ফনা পীরকপা বোলদা ইলিজ খিরিনা পাঞ্জল অহানবা অদু চনবা ঙমখি। দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরক্তুনা ইক্বেলাইজর থিরকখি। ১. এফ সী কোনগী শান্নরোয়শিংনসু দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চল্লক্তনবা য়াম্না কন্না দিফেন্দ তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবনা অহানবা হাফ অদু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা ১. এফ সী কোনগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইলিজ খিরিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী রেনানা পীরকপা বোলদা থোর্গান হেজার্দনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি। অদুবু মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী দোর্টমুন্দ মায়থীখি।

বোরুসিয়া পার্কতা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাগনা য়ূম্বু ওইদুনা সালকে ০৪গা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা য়ূম্বুক্লব অদুনা ২-১দা মাংজিল থাবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু মোনচেনগ্লাবাগকী ফ্লোরিয়াননা ১৫শুবা মিনটতা চনখি। ২০শুবা মিনটতা সালকে ০৪গী বেনিটো রামননা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৯ ৱাৎলিঙৈদা মোনচেনগ্লাবাগকী ওস্কারনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-১দা লৈখি। অনীশুবা হাফতা য়ূম্বু টিম অদুনা ৫২শুবা অমসুং ৮০শুবা মিনটতা মার্কস অমদি হেন্সনা পাঞ্জল ২ চল্লগা ৪-১দা থোইখি।

# য়ুভেন্টস দ্রো চৎখ্রে, লাজিওদি উদিন্সকী মখূৎতা মায়থীহৌরে

রোম, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): ইটালিগী নম্বর ৱান ফুটবোল ক্লব ওইরিবা য়ুভেন্টস লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা সেরি এগী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেনেভেন্টোগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা লাজিওদি উদিন্সকী মখূৎতা ১-৩দা মায়থীহৌরে।

য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লব সেরি এগী মমাং সিজনগী চেম্পিয়ননি। মখোয়গা লম্বা তৌখিবা বেনেভেন্টো সিজন অসিগী ৮শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯ ফংলগা টিম ২০গী লম্বাদা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী ফেদেরিকো চিএসানা পীখিবা বোল অমদা টিম অদুগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর অলভারো মোরাটানা ২১শুবা মিনটতা চনখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনগদবা মাল্লম্বা অদু হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা বেনেভেন্টোগী মায়কৈদগী গেটানো লেটিজিয়ানা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মেটচ অদু লোইগদবা মতম হেন্দারক্লবা ইঞ্জুরি টাইমদা য়ুভেন্টসকী মোরাটানা কাঙলোন ৱাংমদা বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি। মহাক মথংগী মেটচ শান্নবা য়ারোইদৌরি। য়ুভেন্টস দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন য়ৌবা য়ারম্বা তাঞ্জা অদু ৫শুবদগী হোংবা ঙমখিদে।

লাজিও অমসুং উদিন্সকী মেটচ অদু রোমগী ওলিম্পিক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। উদিন্সকী মায়কৈদগী হৌবদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা এটেক কয়া চৎথখি। ১৮শুবা মিনটতা রোবর্টো পেরেয়াগী পাসতা টোলগে অর্সলান্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। লাজিওগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ উদিন্সকী ইগনেসিও উসেটোনা টিমমেট রোদ্রিগো দি পোলনা পীরকপা বোল অমদা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। ৩শুবা পাঞ্জল অদুসু উদিন্সকী ফর্নান্দোনা ৭১শুবা মিনটতা চনখি। লাজিওগী সিরোনা ৭৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১খক হন্দোকখি।

# বোক্সর নেগী কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

পাটিয়ালা, নবেম্বর ২৯(এজেন্সী): পঞ্জাবকী পাটিয়ালাদা লৈবা নেটাজি সুভাস নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা ট্রেনিং য়াওরিবা বোক্সর দুরয়াধন সিংহ নেগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে। লাইওং উৎত্রবসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কেজি ৬৯গী কেটেগোরিদা ট্রেনিং চথরিবা নেগী কলম্বীয়া এসিয়া হোস্পিটালদা থল্লি। পনবা য়াই, মহাক দিৱালি ব্রেককী মতুংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্লকপা অদুগী ৬শুবা মিনটতা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপনি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)



HL/B/6497/3/11-31/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com